ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ২৩, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ২৬৬শুবা মশীং

# মণিপুরগী স্পিরিচ্যুএল সার্ক্যুইট

## য়েলহৌমীশিংগী লাইফম্লেন কয়া লৈঙাক্লা মীরায়বীরব্রা ?

মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলুপ খূদিংগী মশাগী নাৎ-চৎনবী, লাইনিং-লাইশোন লোয়না লৈজে। মশা-মশাগী নাৎ-চৎনবী, লাইনিং-লাইশোনগী মতুংইন্না নুমীৎ থা থৱানমিচাক্কী খোঙচৎ, মতমগী খোঙচৎ, ঋতুগী খোঙলৈ পাদুনা মপানাৎ-মপুনাৎকা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্লে। ইন্দিয়াদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগীসু মাগী মাগী ওইবা নুমীৎকী, চয়োলগী, থাগী অমসুং চহীগী খোঙচৎ পাদুনা ফোঙবা কেলেন্দর অমমম লোইনা লৈরিবনি। তামিল, মাল্লয়ালি, কনাদা, টেলিগু, মরাঠি, বেঙ্গোলি, গুজরাতি, শিখ, অসামি, বিহারীনচিংবা ফুরুপ পুন্নমক মশা-মশাগী নাৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং মানা মানা নীংজ রিবা লাইনিং লম্বী অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্লরি। মীওইবা মশেলগী মরক্তা হাৎন-শুনবা, খৎন-চৈনবা অমসুং নুংশিনদবগী মরু ইহুল তম্বসি নুপী-অঙাংগী ৱাফম, লৌরি-য়ুম্ফমগী ৱাফম অমসুং লাইনিং লম্বীদা করেম-কথাইনরকপগী ৱাফমগসু য়াম্না মরী লৈনৈ। ফুরুপ অমনা চৎলিবা লাইনিং লম্বী অদু ফুরুপ অদুগী মীয়াম্না ফৈ নৎত্রগা পাম্মী হায়দুনা চৎলিবনি। মখোয়গী অপাম্বগী মায়োক্তা অকনবা ৱা হায়বা নৎত্রগা থওইনা তৌবীদবগী মতৌ অসি খৎনবা হৌবগা চপ মান্নে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা রামান্দি লাইনিং চৎনহন্ননবা হোৎনবদা মীওই কয়া হাৎখি। মখুৎতা লান্মী, ৱায়েল থৌদা অমসুং ৱায়েলশঙগী লুরবা মঙম অহুম অসি পায়রগা লৈরিবা নিংথৌনা মতম অদুদদি তৌগে হায়বদা তৌবা ঙম্মী। মহাক্কী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ফুরুপ অমনা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। অদুবু মশাগী ঈদা তোংদা য়াওজরক্লবা লাইনিং অদুবু থাদোকউ য়াদে হায়বগীদমক নিংথৌনা তমথিরবা চৈরাকশিংগী মনুংদা ঙাবোং খাওদা নম্লগা মৈতৈ কয়া হাৎখিবগী থৌদোক-ৱাথোকশিং লৈরিবনি। চীংদা খুন্দারিবা চীংমীশিংগীসু মতম অমদদি মখোয়-মখোয়গী তোঙানবা নাৎ-চৎনবী কয়ামরুম লৈরম্মী। হায়রিবা চৎনবীশিং অদু মীশিং য়ামদবা ফুরুপ ওইবগী মথক্তা চোইনা চোইনা খুন্দাবনা বৃটিশকী খৃষ্টিয়ন লাইনিংবশিংনা ইরায় লাইনা মখোয়গী থম্মোয় খুদুম চনশিল্লগা খৃষ্টিয়ন লাইনিং শন্দোরকখিবগী ৱারী লৈরিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী স্বাদেশ দর্শন স্কিমগী মখাদা মণিপুরগী স্পিরিচ্যুএল সার্ক্যুইট ইনোগ্যুরেট তৌখ্রে। লুপা ক্রোর ৫৩ রোম চঙনা পায়খৎপা স্পিরিচ্যুএল সার্ক্যুইট প্রোজেক্ট অসিনা শ্রীগোবিন্দজি টেম্পল, শ্রীবিজয় গোবিন্দজি টেম্পল, শ্রীগোপিনাথ টেম্পল, শ্রীবংসিবুধোন টেম্পল অমসুং শ্রীকাইনা টেম্পল কোনশিল্লি। শেমগৎ-শাগৎপদা য়েলহৌমী ফুরুপ ওইরিবা সনামহী লাইনিং চৎপশিংগী মরুওইবা লাইফম্লেনশিং, চীংমী ইচিল-ইনাওশিংগী মরুওইবা চর্চশিং অমদি মৈতৈ-পাঙলশিংগী মরুওইবা মোস্ক য়াওহল্লমদবা অসিমক লাইবক থীবনি। সনামহী লাইনিং চৎপশিংগী মরুওইবা লাইফম্লেনশিং হায়বদি অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা, থাংজিং খুভম, অনাল খুল্লেনদা লৈবা ৱাংব্রেন খুভম, কংলাদা লৈবা সনামহী লাইশঙ, হয়িং খোংবানদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইশঙ, নোংপোক নিংথৌ, কোংবা মরু লাইফম্লেন, ৱাঙ্গোইদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইফমনচিংবশিং কোনশিনখিদবা অসিমক য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোকনি। টুরিজম দিপার্টমেন্টকী খোঙথাং অসিনা সেক্যুলরিজমগী ৱাহন্থোক লৈহন্দবগা চপ মান্নখ্রে। মতৌ অসিমক্লা মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী লাইফম্লেন কয়া লোয়ননা হিন্দু নত্তবা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী ওইবা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা মফমশিং লৈঙাক্লা মীরায়বীরব্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে। লৈঙাক্কী টুরিজম দিপার্টমেন্টনা মতুং তারকপদা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদদি য়েলহৌমীশিংনা নুংঙাইরোইদবা অমদি পেল্লোইদবা থৌওং থৌদা তৌহন্নিংদে। মদুনা পুন্নমক্কী অফবা ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮

১) মণিপুরী সাহিত্যদা মশেক মঙাল নাইরিবা অইবা অমনা 'ফাগি ঙাইহাক নোক্লবা পোত্থানবা অয়াংবা মচল ওইবতা নত্তে অচুম্বা অমদি অশেংবা ফোঙদোক্লবা হক্লবা খূৎলায় অমসুনি' হায়রম্মী। অইবদু কনানো অমসুং মানা হায়রম্মীবসি (য়াওফম) কদাইদনো?

২) দি ফ্লেমিং স্বোর্দ ফোরএবর অনশিদেদ হায়না অহানবা ওইনা ফোঙখিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা করি মমিং কৌদুনা কনানা হন্দোকপগে অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) অহানবা ওইনা মণিপুরগী মরমদা মণিপুরীদা (বঙ্গালি ময়েক্তা) ইবা লাইরিকসি করিনি হায়না লৌনবগে, অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙবনো?

৪) মণিপুরী ৱারীমচাগী লাইরিক করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা পুথোরকপগে? অইবনা কনানো?

৫) "সুন তরঙগী মথক্তা/মৈরাগী মশক কুমনা/ঙান্নশানা লৈরিবী নঙবু/পায়মা ঐনা নুংচঙবী/তিল্লাং খোয়দাবীবু থোকলরে,/পেম্মা নঙবু কনানো?" য়াম্না শীংথানরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপা মতেকনি। করি শৈরেংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অমোৎ-অকায় অমদি ফত্তবা ঈশিংদগী বাইওপ্লাষ্টিক শুংদোকপা ঙম্বা বেক্টেরিএল ষ্ট্রেইন

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

ইন্দষ্ট্রি অমসুং ফেক্টরিশিংখক্তগীদা নত্তনা মীওইবনা নুংতিগী ফিশু-ফিজাম, ঈরু-মায়থজবদা শীজিন্নরিবা ঈশিং অসি ফত্তবা, অমোৎপা ঈশিং ওইনা চেন্থখি। মসিদা মখল-মখা কয়াগী মপং ওইবা পোৎশিং য়াওখিদুনা মালেমবু য়াম্না মোৎহল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী অমদা অসিগুম্বা অমোৎপা ঈশিংসি মিলিয়ন টন তরেৎ থাদোরকই, অদুগা মসিনা ওলিম্পিক্কী স্বিমিং পুল ২,৫০০ থলহনবা ঙমগনি হায়রি। অমোৎপা ঈশিংবু নৌনা অমুক শীজিন্ননবা হারগুম্বা পোৎশিংদা ওন্থোকপা নৎত্রগা অতোপ্পা কান্নবা পোৎশিংদা ওন্থোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। 'অমেরিকান কেমিকেল সোসাইটি ওমেগা' গী সেপ্টেম্বরগী চেফোঙগী মতুংইন্না, 'টেক্সাস এ & এম য়ুনিভর্সিটি' গী থিজিন-লূপ অমনা মাংগ্রোভশিংদা ফংবা, *Zobellella denitrificans ZD1* কৌবা বেক্টেরিয়ম অসিনা অমোৎপা ঈশিংদা য়াওরিবা পোৎশিংবু চাথোক্লগা 'পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট' কৌবা বাইওপোলিমর মখল অমদা ওন্থোকপা ঙম্লে হায়রি। বেক্টেরিয়ম অসিনা বাইওপ্লাষ্টিকশিং শুংবগী অপষ্ট্রিম কোষ্ট হন্থহন্দুনা, হেন্না হোঙবা বাইওপ্লাষ্টিকশিং পুথোকপা ঙম্লগনি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। হৌজিক্কী মতমদা বাইওপ্লাষ্টিকশিং পুথোকপদা চঙলিবা অপূনবা শেনফমগী ২৫-৪৫% মুক বেক্টেরিয়মসি শীজিন্নরগা পুথোকপা বাইওপ্লাষ্টিক্তা চংগনি হায়না জাক্রি দিপার্টমেন্ট ওফ সিভিল এন্দ এনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর 'কুং-হুই (বেল্লা) চু' না ফোঙদোক্লি।

পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট হায়রিবা বাইওপ্লাষ্টিক মখলসি বেক্টেরিএল স্পেসিস কয়ানা পুথোকপা ঙম্মী। শাশিংদা তুংশিন্দুনা লৈবা ফেটনা অহেনবা এনর্জি পীবগুম্না, পোলিমর অসিনা বেক্টেরিয়াশিংদা তুংশিন্দুনা লৈবা অহেনবা এনর্জি ওইনা মথৌ তৌই। কার্বন মরাং কায়না ফংবা অদুবু নাইট্রোজেন, ফোস্ফরস নৎত্রগা অক্সিজেন ৱাৎলকপা মতমদা, বেক্টেরিয়াশিং অসিনা কার্বন য়াওবা পোৎশিংদু চাথোকই অদুগা পোলিহায়দ্রেক্সিব্যুতরেট পুথোকই। বেক্টেরিয়াসিনা পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুটরেট পুথোকপদা ইথিল পীরিবা মেদিয়ম অমদি বাইওদিজল শুংবদা বাইপ্রদক্ট অমা ওইনা ফংলিবা ক্রুদ গ্লিসরোলনি। ক্রুদ গ্লিসরোল অসিদা কার্বন মরাং কায়না য়াওই অদুবু নাইট্রোজেন্দি য়াওদে, অদুনা মেদিয়ম অসি বাইওপ্লাষ্টিক শুংবগী চুনবা পোৎ অমা ওই। অদুম ওইনমক, ক্রুদ গ্লিসরোলদা বেক্টেরিয়াশিংনা হৌগৎলকপদা থিংবা ঙম্বা, ফেট্টি এসিদ, সোল্ট অমসুং মিথানোলগুম্বা পামদবা পোৎলমশিংদি য়াওই। ক্রুদ গ্লিসরোলগুম্না অমোৎপা ঈশিংদা য়াওরিবা মপং ওইনা তৌবা পোৎশিংগীসু চপ মান্নবা ফেট্টি এসিদ অমসুং সোল্টশিং য়াওই।




ক্রুদ অমদি অমোৎপা ঈশিংদা য়াওবা গ্লিসরোলদগী পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট (PHB) পুথোকপগী মওং তাকপা লাইয়েক

পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট শুংবা ঙম্বা বেক্টেরিয়া ময়াম অমা লৈজরবসু সোল্ট য়াম্না য়াওবা ফীভমদা হিংদুনা, অশেংবা গ্লিসরোলদগী পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকপা ঙম্বদি খরখক্তনি হায়না চুনা ফোঙদোক্লি। মখোয়না থিজিনখিবা অসিদা *Zobellella denitrificans ZD1* হায়রিবা সোল্ট য়াম্না য়াওবা মাংগ্রোভশিংদা হিংবা বেক্টেরিয়া অসি খনগৎখি, অদুগা বেক্টেরিয়া অসিনা অশেংবা গ্লিসরোলদা হিংদুনা মচা পোক্লকপা, চাওখৎলকপা অমসুং পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকপগী চাং য়েংখি। থিজিন-লূপ অসিনা পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকপা অতোপ্পা বেক্টেরিয়াশিংদসু চাং য়েংখি। অদুবু *Zobellella denitrificans ZD1* অসিখক্তনা অশেংবা গ্লিসরোলদা হিংবা অমসুং পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেটকী য়াম্লবা চাং অমা পুথোকপদু থেংনখি।

মখা তারকপদা, থিজিন-লূপ অসিনা সোল্ট অমসুং ফেট্টি এসিদশিং য়াওবা গ্লিসরোলদা *Zobellella denitrificans ZD1* না চাওখৎলকপা অমসুং পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকপগী মতাংদা চাং য়েংখি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদসু, বেক্টেরিয়া অসিনা পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট মতিক চানা পুথোকপা থেংনখি। মখোয়না চাংয়েংশিংসি খূৎশেমগী মপাঙ্গল কনবা অমোৎপা ঈশিং অমসুং অমোৎপা ঈশিংনা এক্টিভেট তৌরবা মপং ওইনা তৌবা পোৎশিংদা অমুক হন্না পাঙথোকখি। মতম অসিদসু, বেক্টেরিয়াশিং অসিনা পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকপা থেংনখি অদুবু ক্রুদ গ্লিসরোলদা পুথোকপদগীদি হন্থরম্মী। চুনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, অসিগুম্বা সোল্ট য়াম্না য়াওবা ফীভম অমদা *Zobellella denitrificans ZD1* না হিংবা ঙম্বা অমসুং মথৌ তৌবগী শক্তিসি হেন্না কনখৎহল্লবা মতুংদা, অতৈ অতোপ্পা বেক্টেরিয়ানা হিংবা ঙমদ্রবসু, *Zobellella denitrificans ZD1* দি অদুমক হিংদুনা পোলিহায়দ্রোক্সিব্যুতরেট পুথোকই হায়রি। অদুনা বেক্টেরিয়া অসিনা অমোৎ-অকায় অমসুং অমোৎপা ঈশিংদগী বাইওপ্লাষ্টিকশিংসি শেল য়াম্না চঙহন্দনা শুংবা য়ারগনি হায়রি। ●

# অমষ্টরদাম ১৯২৮ # ২

- লৈশাংথেম অজিৎ -

লৈবাক ১৩দগী নুপী ৩১না মিটর ১০০গী লমজেলদা শরুক য়ারম্মী। মখোয়গী মনুংদগী ফাইনেলগীদমক্তা খ্বাইদগী য়াঙবা তরুক খনগৎলম্মী। ফাইনেলদা কেনাদাগী মাইরি-কুকপু লমথাবদা অনীরক শোয়বগীদমক্তা (ফাওল তাবগীদমক্তা) লমজেল য়াওহনখিদে। মহাক্কী মথংদা জর্ম্মনিগী হেলেনে 'লেনি' স্মিথসু লমথাবদা ফাওল ষ্টার্ট অনীরক ওইবগী তান্থোক্লমই। মরম অদুনা নুপী মরি খক্তমক ফাইনেলদা চেন্নবদা য়ু এস এগী ইলিজাবেথ-রোবিনসন্না সেকেন্দ ১২.২দা লমথুংফম য়ৌদুনা মকোক ওইখি। মহাক্কী মতুংদা কেনাদাগী ফেন্নি-রোসেনফিল্ড অমসুং ইথল-স্মিথনা মথং-মনাও ওইনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবদা লাকখি। ইল্লিনোয়কী চহী ১৬তা ঙাইরিবী মহৈরোয় অসিগী মমিংদা মালেমগী রেকোর্দ লৈ। মহাক্লা ফাইনেলদা চেনখিবগী রেকোর্দসু মহাক্কী মমিংদা লৈবা মালেমগী রেকোর্দকা চপ মান্নরম্মী। লমজেল অসিগী ফাইনেল য়ৌদ্রিঙৈদা মালেমগী রেকোর্দ মাপল্লক থুগায়খি।

ওলিম্পিক মতুং চহী অহুম লৈরগা এরোপ্লেন কায়বা অমদা য়াওরুদুনা মহাক উচিন-নাচিন্না হিংহৌই অদুবু মখোঙ নাম্মা তেকখি, মপাম্বোম নাম্মা চপশিনখি, হপ্তা তরেৎ ৱাখল তাখিদে, পংথখি। চহী অনী নিংথিনা চৎপা ঙম্লমদে। তৌইগুম্বসুং নিংহন্নবা লৈতনা মহাক্লা কন্না হোৎনদুনা কুমজা ১৯৩৬কী বর্লিন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা য়ু এস এগী ৪x১০০ মিটর রিলেদা শরুক য়াদুনা সনাগী মেদল অমসু ফংখি।

মিটর ৮০০গী লমজেল থুংলবদা ৱামনখিদুনা এথলিট অয়াম্বা ৱান্থনরম্মী। মসিগী মরমদি মখোয় অয়াম্বনা নিংথিনা ট্রেনিং তৌরক্তবননি। হান্ননা লৈবাক খরনা নুপীগী মিটর ৮০০ অসি শাংমল্লি হায়না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখিবনি। মতম অদুদা নুপীশিংনা লমজেল শাংনা চেনবগী শাজেল তৌনরমদে। মখোয়না চহী ৫৬কী মতুংদা ওলিম্পিক্তা নুপী মরাথন চেল্লক্কনি হায়বা মঙ ফাওবা মঙলমদে।

জর্ম্মনিগী লিনা-রাদকেনা লমজেল অদু মিনট ২ সেকেন্দ ১৬.৮দা থোইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্কী মথংদা জপানগী কে হি-টোমিনা লুপাগী অমদি স্বিদেনগী গেনট-জেলনা শেঞ্জেংগী মেদল লৌখি। লমজেল অসি নুপীগীদমক্তা শাংমল্লি হায়দুনা চহী ৩২ ওলিম্পিক্কী থৌরমদগী য়াওহনখিদে।

হায়জম্পতা কেনাদাগী ইথল-কেথরৱদনা মিটর ১.৫৯ চোঙদুনা হোলেন্দগী কারোলিনা-জিশোলফপু মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল লৌরম্মী। ইথল-কেথরৱদ মহাক্কী সহর সাসকাতুন্দা হল্লকপদা মীওই লিশীং কয়ানা মহাকপু ওক্লম্মী। ইথল, পীয়ানো খোংবা তম্লীবী মহৈরোয়নি। মরম অদুনা মহাক্কী মহৈ তম্বা অদু চত্থনবা মঙোন্দা দোল্লর ৩০০০ পীরম্মী। মথংগী চহীদা য়ু এস এদা হোংদুনা সান ফ্রান্সিসকোদা লৈখি। কুমজা ১৯২৪গী ওলিম্পিক হায়জম্প চেম্পিয়ন হারোলদ-ওসবোর্নদা লুহোংখি।

পোলেন্দগী হেলিনা-কোনোপেক্কানা দিস্কসতা মিটর ৩৯.৬২ লংদুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ অমগা লোয়ননা সনাগী মেদল লৌখি। হান্নগী রেকোর্দ মিটর ৩৯.১৮সু মহাক্কী মমিংদা লৈরম্বনি।

নুপাগী এথলেটিক্সতা ফিনলেন্দগী লম্বা লমশাঙ চেনবদা লৈরমদে। লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা পাভো-নুরমী অমসুং ভিলে-রিটোলানা মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। মিটর ৫০০০গী লমজেলদা ভিলে-রিতোলানা পাভো-নুরমীবু মায়থীবা পীদুনা হৌখিবা ওলিম্পিক্কী লমন খুমখি অদুবু মিটর ১০,০০০গী ফাইনেলদা পাভো-নুরমীনা অনৌবা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ অমগা লোয়ননা রিতোলাবু মায়থীবা পীখি। স্বিদেনগী ইদভিন-ৱাইদনা লমজেল অনীমক্তা অহুমশুবা মনা ফংখি।

হেরী-লর্ভা কৌবা নুরমীগী পোকফম তুরুকুদগী লাকমিন্নবা, মখূৎ-মশা হৈশিংবদা মমিং চৎপা নুপা অমনা মিটর ১৫০০গী লমজেলদা ওলিম্পিক্কী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল লৌখি। মহাক লৈতেংগী পোৎশিং, সনাগী লিক, খুজি, নাদা য়ান্নবা লৈ, ঘড়ীনচিংবদা মমিং অমদি ফজবা ৱাহৈশিং হক্তুনা থাবদা য়াম্না হৈশিংবগীদমক মমিং চৎলি।

মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল চেজদা লৈবাক অমত্তনা ফিনলেন্দগা লম্বা তৌনবা ঙম্লমদে। মখোয়না অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা মনা লৌখি। লমজেল অদুদা তুইভো-লোউকোলান্না পাভো-নুরমীবু হেন্দুনা সনাগী মেদল লৌখি। অদুবু অশেংবমক্তি নুরমীনা লমজেল চেল্লিঙৈদা মতম য়েংনবা মখূৎ ওইদা ষ্টোপ-ৱাটচ অমা পায়দুনা চেল্লি। মদু ষ্টিপল-চেজগী ঈশিংকোম লানবদা তুশিন্দুনা ঈশিংদা তাখিবদগী লৌখৎলিঙৈদা মতম অয়াম্বা মাঙখিবনি।

অপিকপা য়ুরোপকী লৈবাক মচা অসিনা মিটর ১৫০০, মিটর ৫০০০, মিটর ১০,০০০, মিটর ৩০০০গী ষ্টিপল-চেজ অমসুং মরাথন্দা সনাগী মেদল মরি, লুপাগী অহুম অমদি শেঞ্জেংগী অহুম ফংদুনা পূন্না মেদল ১০ ফংখি।

লমজেল মতেক্তা কেনাদাগী স্কুল তম্লিবা চহী ১৯ খক্তং ঙাইরিবা পর্শি-ৱিলিয়মনা মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০গী লমজেল থোইখি। মহাক্কী নক্লবা লম্বাদি বৃটেনগী লন্দন য়ুনিভর্সিটিদা ডোক্টর তম্লিবা বৃটিশ গুয়া মচা কুচু মুবা জেক ই লন্দননা ওইরম্মী। মিটর ১০০গী লমজেলদা ৱিলিয়ম্না মহাকপু ফিট অনী হেন্দুনা মায়থীবা পীরম্মী।

অমেরিকা মচাশিংনা মহৌশাগুম্না লমজেলদা মকোক ওইবা অমত্তা ঙম্লমদে। অদুম ওইনমক মিটর ৪০০গী লমজেলদা লৈবাক অসিগী রেইমোন্দ-বারুটিনা কেনাদাগী জেমস-বোলবু লমথুংফমদা খজিক্তংদা হেন্দুনা মায় পাকখি। য়েৎ থংবা মতাইদা চেল্লিবা জেমস-বোলনা লমথুংফম য়ৌরমদাইদা কনানা হেল্লিবগে হায়দুনা মঙক লৈথোক্তুনা য়েংউবদা রেইমেন্দনা হেনখিবনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## ইম্ফালদা ই পি এফকী সব-রিজনেল নৎত্রগা রিজনেল ওফিস থম্বা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইরমদম মণিপুর অসি চীংলোন কয়ানা কোয়শিনবা অৱাং নোংপোক্কী বোর্দরদা লৈবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেটসিগী ই পি এফ য়াওবা এমপ্লোয়ীশিং, সবস্ক্রাইবরশিংনা প্রোভিদেন্ট ফন্দ কম্মিস্নর, গুৱাহাটি তম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইরিবনি হায়বসি হৌখিবা লৈঙাক, হৌজিক্কী লৈঙাক্লা খঙবীদবসি ষ্টেটসিগী সবস্ক্রাইবর/কম্পনিশিংগী লাইবক থীবনি। ষ্টেটসিদা হৌজিক হৌজিক ইষ্টাব্লিসমেন্ট/কম্পেনি ৯০০ লোম লৈরি। চহী খরগী মমাঙদা মণিপুর, নাগালেন্দ ট্রেদ য়ুনিয়ন কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা রিজনেল ওফিস অসি নাগালেন্দগী ট্রেদ য়ুনিয়ন্না মখোয়গী ষ্টেটতা থমনীংবা অদুগা মণিপুরগী ট্রেদ য়ুনিয়ন্না ইম্ফালদা থমনীংবগী ৱাফম লৈনখি। সবস্ক্রাইবর মশীংনা নাগালেন্দা হেন্না লৈখি। মরমদি নাগালেন্দনা ফেক্টরি অচৌবা য়াম্না লৈখিবনা। হৌজিক ইম্ফালদা ই পি এফকী সব ব্রাঞ্চ ওফিস অমা লৈরিবা অসি জে এ সী ওফ এমতুক এন্দ এম জি ওনা য়াম্না কন্না প্রোভিদেন্ট কম্মিস্নরদা তক্লবদগী থম্বীবনি।

ষ্টেটসিদা ই পি এফ য়াওবা এমপ্লোয়ীশিংনা মশাগী অশি-অনা, লুহোংবা, য়ূম-কৈ শাবা অসিনচিংবা অচিনবা কয়াগী শেনফম মশাগী একাউন্টতগী লৌথোকচগে হায়জবদা হায়নীংঙাই লৈতনা মতম শাংনা চঙই। শম্না হায়রবদা অনা-অয়েক, অশি-অনাগী শীজিন্নবা নংনদবা অসিনি এমপ্লোয়ীশিংগী অৱাবসি। হৌখিবা কুমজা ১৯৭২দা মণিপুর অসি ষ্টেট ওইখ্রে, অসুক শাংলবা চহী ৪০গী মথক অসিদা ইরমদম মণিপুরগী ই পি এফ য়াওবা এমপ্লোয়ীশিংনা প্রোভিদেন্ট ফন্দ কম্মিস্নর, গুৱাহাটি তম্না চৎহল্লিবা অসি হৌখিবা লৈঙাক, হৌজিক্কী লৈঙাক অসিদা তাইবঙ শেম্বা মপুনা খল্লমগদবা অসি অৱাবগী মশকনি। ষ্টেটসিগী লৈরিবা সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট কর্ম্মচারি মখল অনী অসিনা ফংলিবা খুদোংচাবা, শম্না হায়রবদা মশা মশাগী একাউন্টতা দিপোজিৎ তৌখিবা শেনফমশিং লৌথোকচবগা ই পি এফ য়াওবা এমপ্লোয়ীশিংনা মশাগী একাউন্টতগী লৌথোকচবগা অসুক্কী মতিক হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নে হায়বসি হৌখিবা লৈঙাক, হৌজিক্কী লৈঙাক অসিনা খঙবীদবা হায়বসি ষ্টেটসিগী সবস্ক্রাইবর, কম্পেনিশিংগী লাইবক থীবনি।

অরোইবদা লৈঙাক অসিদা থমজনীংবদি ষ্টেটসিদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক, সেন্টরদসু বি জে পি লৈঙাক পায়মিন্নরিবনি। হৌখিবা লৈঙাক কয়ানা সবস্ক্রাইবরশিংগী খনবীরমদ্রবা ই পি এফ য়াওবা এমপ্লোয়ীশিংগী খনবীদুনা য়ুমথংনবা নাগালেন্দনা সবস্ক্রাইবর মশীং হেল্লবসু জিওগ্রাফিকেল ফেক্টরদা য়েংলগা ইম্ফালদা সব রিজনেল ওফিস নৎত্রগা রিজ নেল ওফিস থম্বীরবদি (প্রোভিদেন্ট ফন্দ কম্মিস্নরদা তক্লদুনা) তাইবঙ শেম্বা মপুনসু লৈঙাক অসি চানবীবগা লোয়ননা মথংগী লৈঙাকসু বি জে পিগী লৈঙাক অমুক হন্না লাকপা ওইহনবীসনু হায়না সবস্ক্রাইবর/কম্পেনিশিংগী মায়কৈদগী মপুদা থৌনিজরি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়*

## প্রভাবতি কোলেজ অথুবদা মীৎয়েং চংবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

চৎলিবা কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ৪দা প্রভাবতি কোলেজদা কোলেজসিগী ষ্টাফশিংনা শীন্দুনা ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং দেপ্যুটি স্পিকরবু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা কোলেজগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগত্তুনা চাওখৎহনগনি হায়বীরম্বা য়াম্না নুংঙাইজৈ। মসিদা কোলেজগী ওফিসল প্রোসেসতা অশোয়বা লৈরিবসিসু চুমথোকপীনবা নোল্লুকচরি। মদুদি কোলেজসিনা এদেদ ওইবদি ঙসি চহী ৪ শুরে অদুবু এদেদ কোলেজ অমগী এদ্যুকেসন কোদ, য়ু জি সীগী চৎন-কাঙলোন ওফিসল প্রোসেস অমত্তা য়াওদনা ফুল ফ্লেজেদ ওইদবা গভর্নিং বোদিনা হাপখিবা অরানবা লুক অফটর প্রিন্সিপাল ইন-চার্জগা দি পি সীনি হায়দুনা ওজা কেরানি ময়াম হাপ্লুবদগী হৌজিক থা ২০ রোম তোলোপ পীবিদ্রে অমদি থবকশিং মথোং খঙদ্রে হায়দুনা ওজাশিংনা ঙাঙনবা তারে। মসিদা মতম হেল্লবা গভর্নিং বোদিগী চ্যেরমেন, সেক্রেটরিনা খঙদ্রগসু লৈঙাক্কী মীহুৎ ওইরিবা দিরেক্টর ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী খঙ হৈরবা ওফিসর অমদি এম য়ুগী নোমিনিনা এদেদ কোলেজগী এদ্যুকেসন কোদ অমসুং য়ু জি সীগী গাইদলাইন ওফিসল প্রোসেস চত্থগদ্রা হায়রগা মখোয়সিনা হেন্না রুলশিং ভাইওলেট তৌদুনা শেঞ্জা থুমজা, নম্ফু-হাফু চত্থবদা য়াওরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। অসিগুম্বা অরানবা প্রোসেসশিং চুমথোকপীনবা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী জুলাই ২২দা দিরেক্টর য়ু এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্দা অমদি চৎলিবা কুমজা ২০২০গী জুন ১৩দা পাউচেদা খঙহনখিবসু লাল্লি-চুম্মী হায়দনা তুমিন্না লৈশিনখ্রে। থৌওংশিংসিনা কোলেজদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবগী (নেসনল এসেসমেন্ট এন্দ এক্রিদিটেসন কাউন্সিল) প্রোসেসতা অপনবা ওইগনি, ওজা-কেরানিশিংগী পুন্সি মাঙগনি। মসিনা কোলেজদা লাইরিক তম্বগী মহুত্তা পাস তৌনবগী মওংদা লাক্তুনা প্রভাবতি কোলেজ চাওখৎপা ৱাগনি। মসিগী থৌদাং মখোয়সিনা পুগদবনি।

মরম অসিনা অরানবা চয়েৎনবা প্রোসেস ময়ামসিনা কোলেজসিদা ইরাং থোক্লক্তনবা ওনরেবল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি দেপ্যুটি স্পিকরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা নোল্লুক্লা হায়জরি।

*অদোমগী - এল তোম্বা*
*ফাউন্দর কম ফোর্মর গভর্নিং বোদি মেম্বর*
*প্রভাবতি কোলেজ, ময়াং ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।